# দেল পোট্রো, মিলোস রাওনিকনা দেলরে বিচ ওপনগী অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে





মিয়ামি, ফেব্রুৱারী ২২ :
হান্নগী য়ু এস ওপন চেম্পিয়ন জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোনা মফম অসিদা চথৰিবা দেলরে বিচ ওপনদা কেভিন এন্দরসনবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখি।

মার্টিন দেল পোট্রোনা মহাক্কী শক্তি লৈরবা সার্ভ অমদি ফোরহেন্দ শিজিন্নখিদুনা সাউথ অফ্রিকানবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। মমাঙগী চহীদা দেলরে বিচ ইভেন্টতগী মহাক্কী এ টি পি টুর সিজন হৌখিবা দেল পোট্রোনা মেচ অদুদা এস মঙা কনখি অমদি অহানবা রাউন্দগী মহাক্কী অহানবা সার্ভ পোইন্ট অদু চাদা ৮৪ মায় পাকখিদুনা মেচ অদু থোইখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অতোপ্পা মার্কি মেচ-অপতা কানাডিয়ন টোপ সীদ মিলোস রাওনিকনা এস তরা কনখিদুনা য়ু এসকী ক্বালিফাইয়র টিম সিমজেকপু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী তরুকশুবা সীদ বরনার্দ টোমিকনা বেলজিয়ন ক্বালিফাইয়র ষ্টেভ দাসির্সকী মখুৎতা ৩-৬, ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীখি। টোমিকনা মায়থীখিবা অসিনা হার্দ কোর্ট ইভেন্ট অসিদগী মপান থোকখিবা অহানবা সীদেদ প্লেয়রসু ওইখি। বেলজিয়ন ক্বালিফাইয়র ষ্টেভ দাসির্সনা হৌজিক ৱর্ল্ডগী ৩১শুবা রেঙ্কতা লৈরিবনি।

মশাগী চহী ৩৭ শুরবা অমদি অনীশুবা সীদ ইভো কার্লোভিকনা রেঙ্ক ৬৯ শুবদা লৈরিবা অমেরিকাগী দোনাল্ড য়ঙগী মখুৎতা ৭-৬ (৭/৫), ৭-৬ (৭/৩) দা মায়থীখি।

রেঙ্ক ৪৯শুবদা লৈরিবা ক্রোসিয়ন বোর্না কোরিকনা কলম্বীয়াগী সান্টিয়াগো গিরাল্ডোবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। বোর্না কোরিকনা অনীশুবা রাউন্দদা রাওনিক্কা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

য়ু এসকী অহুমশুবা সীদ জেক সোকনা এস নিপান কনখিদুনা মোল্ডোভাগী রাদু অশবোটপু ৬-৪, ৭-৬ (৭/২) দা মায়থীবা পীখি। রেঙ্ক ২১শুবদা লৈরিবা সোকনা মথংগী প্লেদা স্পেনগী গুইল্লরমো গার্সিয়া-লোপেজগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

গুইল্লরমো গার্সিয়া-লোপেজনা জর্মনিগী দষ্টিন ব্রাউনবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখিবনি।

অতোপ্পা মেচতা হাসনা বাসিলাশভিলিগী মখুৎতদা ৬-৭ (৪/৭), ৭-৬ (১০/৮), ৬-২ দা মায়থীহৌখি। হাসনা মমাঙ চহীগী এপ্রিল থাদা য়েৎ থংবা খোঙদা সর্জরি তৌখি অমদি কুমজা ২০১৫ গী ওক্টোবরদগী শান্নদনা লাক্লি। মহাক্না মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহানবা রাউন্দদা রিটয়ার্দ তৌখিবনি।

অমরোমদা, চেন্নাই ওপনগী রন্নরস-অপ পুরাভ রাজা অমদি দিভিজ শরননা দেলরে বিচতা পাঙথোক্লিবা দোল্লর ৫৯৯,৩৪৫ এ টি পি টুর ইভেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

দিভিজ-পুরাভনা কনাডাগী ফিলিপ বেষ্টর অমদি পিটর পোলানকিবু ৬-৪, ৩-৬, ১০-৪ দা মায়থীবা পীখি।

# ঐচ আই এল : দেল্লি ৰেভরাইদর্সনা রাঞ্চি রেজগী মখুৎতা ২-৬ তা মায়থীখ্রবসু সেমী ফাইনেল চঙখ্রে





ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ২২ :
রাঞ্চি রেজনা মফম অসিগী শিভাজি ষ্টেদিয়মদা চথখিবা হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা দেল্লি ৰেভরাইদর্সপু ৬-২ দা মায়থীবা পীখ্রবসু কেপিটেলগী আউফিট অসিবু সেমী ফাইনেল চঙখিবদা থিংবা ঙমহৌখিদে।

রাঞ্চিনা গোল নিপান চন্দুনা গোল দিফরেন্সতা মায় পাক্লগা সেমী ফাইনেল চঙনবগী মথৌ তাখ্রবসু গোল মশিং শুনা চনবা ঙমখিদবনা লাষ্ট ফোর চঙবা ঙমদনা লৈহৌখি। ভিজিটরনা পোইন্ট ১৮ পায়রগা মেচ শান্নবা চঙলকখি অমদি মেচ মায় পাকখিবদগী পোইন্ট ২৩ পায়রিবা দেল্লিগা মান্ননা লৈবা ঙমখি।

দেল্লিগী গোলশিং অদু মনপ্রীট সিংহনা মেচকী মিনিট মাপন অমদি মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা গোল অনী অমদি ইমরান খাননা মেচকী মিনিট ৩৭ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি। দেল্লিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জষ্টিন রৈদ-রোসনা মেচকী মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা চনখি।

মায় পাকখিবা অসিনা রাঞ্চি (গোল দিফরেন্স-১) না মখোয়গী লীগ কেম্পেয়ন অদু দেল্লিগী পোইন্ট ২৩ গা লেভেল মান্নদুনা লোইশিনখি। দেল্লিনা গোল দিফরেন্সতা ৬ তা লৈখিদুনা নোক আউটতা খুমাঙ চাউশিনখিদুনা মথংগী চয়োলদা চানি দগড়দা মখোয়গী মেচ শান্নগনি।

দবাং মুম্বাইনা গেম মাপনদগী পোইন্ট ৩৩ অমদি কলিঙ্গা লেন্সর্সনা গেম ১০ দগী পোইন্ট ২৮ ফংদুনা হান্ননা সেমী ফাইনেল চঙখ্রবনি। পোইন্ট ২২ খক্তমক ফংখিবা জয়পী পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা মাঙজৌননা সেমী ফাইনেলগী রেসতগী লৈহৌখিবনি।

রাঞ্চিনা মেচ হেক হৌখিবগা য়ুম্নুগী মায়কৈদা অকনবা লম্বা তৌদুনা চঙশিনখি। মখোয়গী রাইট বেক গুরবাজ সিংহ, ভেটেরান ইংলিসমেন বেরি মিদ্দলটন অমদি জর্মনগী খৃষ্টোফর রুহরনা মাঙজিল থাবা এটেক্করশিং ওইদুনা অকনবা শাফুশিং মায়োক্লখিবা সাইদতা পীখি। মখোয়না য়ুম্নুগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা রুহরনা দি বোক্সতগী য়েৎ থংবা পোষ্টতা কনশিনখিবা বোল অদু মনপ্রীট সিংহনা ওক্লুগা গোল পোষ্ট মনুংদা য়ৈশিনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অহানবা ক্বার্টরদা গোল চনখিবদগী ভিজিটরগী সাইদতা হেন্না মতীং লৈনা শান্নরকখি।

দেল্লিসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা ভিজিটরগী মায়কৈদা তকশিনখি। রাঞ্চিনা অহুমশুবা ক্বার্টরদা মখা তানা দেল্লিগী মায়কৈদা প্রেসর পীখি। মনপ্রীটনা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা তমদা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ৪-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। গোল চনখিবা মিনিট মঙাগী মতুংদা ইমরাননা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৬-০ দা অমুকসু মাঙজিল থানা লৈখি। রাঞ্চিনা মখা তানা গোল চন্দুনা সেমী ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইনবা হোৎনখি।

দেল্লিসু তপথবা লৈতনা অকনবা মওংদা মায়োক্লখিবা সাইদতা এটেকশিং তৌখি। মখোয়না তৌখিবা অথুবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা সাউথ অফ্রিকাগী রৈদ-রোসনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-৬ তা লৈখি। মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা রাঞ্চিসু অহেনবা গোল চনবাঙমদনা লৈখি। দেল্লিসু মখা তানা গোল চনবগী আশা থমখিদ্রবসু গোল দিফরেন্সতা য়াম্না ৱাংনা লৈখিদুনা সেমী ফাইনেলদা খোঙ থাংজিনবা ঙমখি।

# এপ্রিল ১ গী ভিজেন্দর সিংহগী ফাইটতা অখিল কুমার অমসুং জিতেন্দর কুমারগী বাউটসু শান্নগনি



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ২২ : নৌনা প্রোফেস্নেল বোক্সিংদা চঙখ্রবা কম্মনৱেল্থ গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট অখিল কুমার অমসুং এসিয়ন মেদলিষ্ট জিতেন্দর কুমারনা মখোয়গী অহানবা প্রো-বাউট লাক্লিবা এপ্রিল ১ দা মুম্বাইদা পাঙথোক্লগনি।

অখিল কুমার অমসুং জিতেন্দর কুমারগী এপ্রিল ১ গী বাউটতা রাউন্দ মরি শান্নবগা লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিদা অপুনবা ফাইট তরুক শান্নগনি। ইন্দিয়াগী অহানবা প্রোফেস্নেল বোক্সর ভিজেন্দর সিংহগী এপ্রিল ১ দা মুম্বাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা দবল এসিয়ন টাইটল ফাইটতা অখিল অমদি জিতেন্দরগী অহানবা প্রো-বাউট পাঙথোক্কদবনি। অখিলনা সুপর লাইটৱেঠ কাঙলুপ্তা শান্নগনি অদুগা জিতেন্দরনা সুপর ফিদরৱেঠ কাঙলুপ্তা থিন্নগনি।

মহাক্কী অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রো-বাউট অসিগী মতাংদা অখিলনা হায়খি, ঐখোয়না ফাইট অসিগীদমক অকনবা ট্রেনিং চথুরি। ঐখোয়গী ফাইট অসি থা অমরোমদমক ঙাইরক্লে। ঐখোয়না হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। লাক্কদবা রিজল্টসু অফবা ওইগনি হায়না থাজে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

জিতেন্দরনা অখিলগী ৱাফমবু থৌগৎলদুনা হায়, অখিলনা পুথোরকপা ৱাফমশিং ঐহাক্সু য়াদুনা লাক্লি। হন্দক মহাক্না লোয়ননা প্রোফেস্নেল বোক্সিংদা খোঙ থাঙজিল্লকপা অসি শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না আশা তৌই হায়না মহাক্না হায়খি।

এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অমদি হরিয়ানা পুলিসতা দি এস পি ওইরিবা অখিল অমদি জিতেন্দরনা মখোয়গী দিপার্টমেন্টদগী অয়াবা লৌরগা মতুং প্রোফেস্নেল বোক্সিংদা চঙদুনা আই ও এস বোক্সিং প্রমোসন্সগা ফোর্মেল ওইনা খুৎয়েক পীনখি। বোক্সর অনীনা গুরগাউন্দা লৈবা আই ও এসকী একাদেমীদা ট্রেনিং তৌবগা লোয়ননা থা অসিগী লোইরকপা শরুক্তা মাঞ্চেষ্টরগী ট্রেনর অমা লাক্তুনা মখোয়গী মতেং পাংদুনা অহেনবা লৌশিং পীগনি। অখিল অমদি জিতেন্দরনা চহী অসিদা থিন্নগদৌরিবা বাউট তরুক্কী মনুংদা অনীদি ইন্টরনেসনলগী ওইরি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী প্রোফেস্নেল বোক্সিং ষ্টার ভিজেন্দর সিংহনা ৱর্ল্ড বোক্সিং ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু বি ও) এসিয়া পেসিফিক টাইটল মায় পাক্না দিফেন্স তৌখ্রবা মতুং লাক্লিবা এপ্রিল ১ দা মুম্বাইদা চিনাগী দব্লিয়ু বি ও ওরিয়েন্টেল সুপর মিদ্দলৱেঠ চেম্পিয়ন জুলপিকর মাইমাইটিলিগা থিন্নদুনা মহাক্কী অনীশুবা টাইটল লৌনবা পান্দম থম্লিবনি। ভিজেন্দর সিংহনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা টাঞ্জানিয়াগী বোক্সর ফ্রান্সিস চেকাবু থিন্দৎতুনা মহাক্কী দব্লিয়ু বি ও এসিয়া পেসিফিক টাইটল অমুক হন্না লৌখিদুনা প্রোফেস্নেল এরেনাদা মায়থীবা মশক খঙদনা চঙশিল্লিবনি। ভিজেন্দর সিংহ হৌজিক মাঞ্চেষ্টরদা বৃটিশ ট্রেনর লি বার্দকী মখাদা অকনবা ট্রেনিং তৌরি।

এপ্রিল ১ দা মুম্বাইদা ভিজেন্দর সিংহগা থিন্নগদৌরিবা জুলপিকর মাইমাইটিলিসু ভিজেন্দরগা খেন্নবা অমত্তা লৈতে। মাইমাইটিলিনা কুমজা ২০১৫ দা মহাক্কী অহানবা প্রোফেস্নেল বাউট শান্নখিবদগী হৌজিক ফাওবদা অপুনবা ফাইট নিপান থিন্নখিবগী মনুংদা তরেৎ মায় পাকখি। চিনাগী টোপ বোক্সর অসিনা নোক আউটতা বাউট মঙা মায় পাকখিবগা লোয়ননা মমাঙ চহীগী জুলাই থাদা টাঞ্জানিয়াগী থোমাস মশালিবু টেক্নিকেল নোকআউটতা থিন্দৎতুনা দব্লিয়ু বি ও ওরিয়েন্টেল সুপর মিদ্দলৱেঠকী টাইটল লৌখি।

# শিভা থাপানা ষ্ট্রান্দজা মেমোরিএল বোক্সিং টুর্ণামেন্টতা মায়থীখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ২২ :
ইন্দিয়ন বোক্সরশিংনা বলগেরিয়াগী সোফিয়াদা চথবা হৌখ্রবা ৬৮শুবা ষ্ট্রান্দজা মেমোরিএল বোক্সিং টুর্ণামেন্টকী অহৌবা নুমিৎতা অমনা মায় পাকখিবা অনীনা মায়থীখিদুনা নিংবা কায়না কেম্পেয়ন হৌখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী অহানবা নুমিৎকী কম্পিটিসনদা কেজি ৯১ গী কাঙলুপ্তা শান্নরিবা গৌরভ চৌধরিনা মায় পাকখিবা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা বোক্সর ওইখি। গৌরভ চৌধরিনা লোকেল ফেভোরাইট হায়ট রাসিমবু মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইট ষ্টেজদা খুমাঙ চাউশিনখি।

অদুম ওইনমক টুর্ণামেন্ট অসিদগী ঙন্না মপান থোকখ্রবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বোক্সরশিংগী



মনুংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট শিভা থাপা য়াওরি। মশাগী চহী ২৩ শুরবা অসিনা লাইটৱেঠ দিভিজনদা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল ইভেন্টতা শরুক য়াদুনা ইংলেন্দগী কাল্লম ফ্রেঞ্চকী মখুৎতা মায়থীখি।

ইন্দিয়ন টিমগা চৎমিন্নরিবা কোচনা হায়খি, মহাক্না নিংথিনা থিন্নখি অদুবু পোইন্ট লৌবদি ঙমখিদে। মসি লাইবক থীবা হায়বদুনি হায়না কোচ অসিনা ফোঙদোকখি।

কেজি ৯১ মথক্তা শান্নরিবা সটিশ কুমারনা কজাখষ্টানগী কাম শিবেক কোনকাবায়েভকী মখুৎতা মায়থীখি।

নুপা অমদি নুপীগী মতম অমত্তদা পাঙথোক্লিবা টুর্ণামেন্ট অসিদা লৈবাক ৩০ দগী বোক্স ২০০ হেনবনা শরুক য়ারি। ইন্দিয়ানা নুপাগী ইভেন্টদা মেম্বর ১০ না শাবা টিম অমনা শরুক য়ারি অদুগা নুপীগীনা মেম্বর মঙানা শাবা টিমনা শরুক য়ারি।

# দেল্লিগী অমোৎপা মৈখুনা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ডকপকী মেচশিং পাঙথোক্লন্দবা য়ানা লৈরে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ২২ : মালেমগী খ্বাইদগী মোৎপা কেপিটেল সিটি ওইরিবা ন্যু দেল্লিগী হৌজিক ওইরিবা মোৎলবা নুংশিৎকী ফীভমনা মরম ওইদুনা মফম অসিদা পাঙথোক্কদবা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী মেচশিং ফিফানা শান্নহন্দবা য়ানা লৈরে হায়না টুর্ণামেন্ট দিরেক্টরনা ফোঙদোকখ্রে।


টুর্ণামেন্ট দিরেক্টর জেভিয়র সেপ্পিনা হায়খি,, দেল্লিগী ওইরিবা নুংশিৎকী ক্বালিটিগী ফীভমদা য়াম্না লুম্না লৌরি। মরু ওইনা দেৱালি ফেষ্টিবেল অসি চহী অসিগী ওক্টোবরদা তারি অদুগা ফেষ্টিবেল অসিগী মতুং থা অসিমক্তদা টুর্ণামেন্ট অসি পাঙথোক্কদৌরি। অদুবু মেচকী সেদ্যুলদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফাইনেলাইজ তৌদ্রি। কেপিলে সিটিদা মেচশিং পাঙথোকহল্লোইদৌরিবা অসি পোল্যুসননা মরু ওইবা মরম ওইরি। দেল্লিগী পোল্যুসন অসি খন্ননিঙাই ওইবা ফীভম অদু য়ৌরে হায়না ফিফাগী ওফিসলনা ফোঙদোকখি।

সেপ্পিনা হায়, নংনা পোল্যুসন অসি নোংমদগী মথং ফাওবদা হন্থহনবা ঙম্লোই। গেম অসিবু য়ুম্বু ওইনবগীদমক মথৌ তাবা চাং ফাওবা হন্থহনবা তাই হায়না ফোঙদোকখি।

ফিফানা কুমজা ২০১৩ দা ইন্দিয়ানা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপপু য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখি। টুর্ণামেন্ট অসি দেল্লি য়াওনা লৈবাক অসিগী সিটি তরুক্তা পাঙথোক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

মমাঙ চহীদা দেল্লিদা দেৱালি মনুংদা পোল্যুসনগী লেবেল চাং ৱাংনা লৈখিবগী রেকোর্দ লৈখি। হিন্দুগী মৈগী ফেষ্টিবেল অসিদা য়াম্লবা ফাইয়রক্রেকর লিশিং কয়া থাদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। মসিদা নক্তুনা য়ুল্লোন্নবা এগ্রিকলচরগী এরিয়াশিংদা মহে-মরোংশিং লোকপা লোইরগা মৈ থাদোকপনা পোল্যুসনগী চাং ৱাংনা লৈহল্লি।

# এঞ্জেলিগ কার্বর, মোনিকা পুইগ, কারোলিনা প্লিস্কোভানা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা মায় পাক্না চঙশিল্লি







দুবাই, ফেব্রুৱারী ২২ :
হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এঞ্জেলিগ কার্বরনা মফম অসিদা চথরিবা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মহাক্কী লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

কুমজা ২০১৬ তা গ্রান্দ স্লাম টাইটল অনী লৌখিবী অমদি টোপ সীদ এঞ্জেলিগ কার্বরনা ফেল্লো জর্মনগী মোনা বার্টেলবু অনীশুবা রাউন্দ মেচতা ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

ৱর্ল্ড নম্বর টুদা লৈরিবী কার্বরনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌখিবদগী দব্লিয়ু টি এগী টোপ রেঙ্কিংদা লৈখি অদুবু হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল লৌখিবদগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা টোপ স্পোটকী মফম মুনখিবদগী অমুক হন্না টোপ স্পোটতা হঞ্জিন্নবা হোৎনরিবনি।

কার্বরনা হায়খি, ঐগী পার্ফোর্মেন্সকী মরমদা নুঙাইবা পোকই। ঐনা ঐগী গেম শান্নবা হোৎনরি অমদি পোইন্ট খুদিংমক লৌনবা মিৎয়েং থম্লি। হৌজিক ঐঙোন্দা থাজবা চাউনা লৈরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

জর্মন অসিনা মথংগী প্লেদা পুর্টো রিকোগী মোনিকা পুইগকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। মোনিকা পুইগনা রিও ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল মেচতা জর্মন অসিবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

কার্বরনা মখা তানা হায়খি, মদুগী মেচ অদু পুমতোন তোঙানবা ওইগনি। ঐনা মহাক্কী মায়োক্তা ঐগী খ্বাইদগী ফবা অদু শান্ননবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পুইগনা অতোপ্পা মেচতা ফ্রেঞ্চকী ১৫শুবা সীদ কারোলিন গার্সিয়াবু ৬-১, ৪-৬, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দদা চঙখিবনি।

য়ু এস ওপনগী ফাইনেলিষ্ট অমদি মমাঙ চয়োলগী দোহা ৱিন্নর অমসুং অনীশুবা সীদ কারোলিনা প্লিস্কোভানা ষ্ট্রেট সেটতা ফ্রেঞ্চকী ক্রিষ্টিনা স্লাদেনোভিকপু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা সীদ দোমিনিকা সিবুলকোভানা ইকাটেরিনা মাকারোভাগী মখুৎতা ৬-২, ৪-৬, ৬-২ দা মায়থীখি। সিবুলকোভানা মেলবোর্নগী অহুমশুবা রাউন্দদা রসিয়ন অসিগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনি।

মকারোভানা হায়খি, দোমিগা অমুক হন্না মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচ অদু য়াম্না টফ ওইখি। ঐনা হেক হৌবগা তকশিন্দুনা শান্নখি। মহাকপু ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা মায়থীবা পীখিবা অদুনা ঐঙোন্দা য়াম্না মতেং ওইখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

রোলেন্দ গ্রারোসকী চেম্পিয়ন অমদি মঙাশুবা সীদ গার্বিন মুগুরুজানা মিনিট ৩০ চঙনা শান্নখিবা অহানবা সেটতা ১-৪ দা রিটয়ার্দ তৌখি। মহাক্না য়ুক্রেনগী কাটেরিনা বোন্দারেঙ্কোগা অনীশুবা রাউন্দদা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা অদুদা মখোঙদা অশোকপা লৈখিবদগী রিটয়ার্দ তৌখিবনি।

কুমজা ২০১২ গী টুর্ণামেন্টগী ৱিন্নরনা মরিশুবা সীদ অগনিজকা রাদৱানস্কা অমদি বেলজিয়ন ইলিস মার্টেন্সবু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। নিপানশুবা সীদেদ ইলেনা ভেসনিনানা জপানগী মিসাকি দোইবু ৬-২, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা তরাশুবা সীদ কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা স্বিসকী ভিক্টোরিজা গোলুবিকপু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অনা কোনজুহনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ১২শুবা সীদ সমান্থা ষ্টোসুরবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।


# রোজর ফেদররনা লেভর কপ্তা স্পেনগী রফেল নদালগা জুরা শেমদুনা শান্নবা পাম্লি

প্রেগ, ফেব্রুৱারী ২২ :
চহী অসিদগী হৌগদৌরিবা লেভর কপ্তা মহাক্কী আর্ক রাইভেল স্পেনগী রফেল নদালগা দবলসকী জুরা শেমদুনা শান্নবা পাম্মী হায়না রোজর ফেদররনা ফোঙদোকখ্রে।

স্বিসকী টেনিস গ্রেট অসিনা সেপ্টেম্বর থাদা প্রেগতা পাঙথোক্কদৌরিবা অনৌবা টুর্ণামেন্ট অসিগী মায়খুম হাংদোকখিবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। টুর্ণামেন্ট অসিদা জোর্ন বোর্গনা কেপ্টেন ওইবা য়ুরোপিয়ন টিমনা জোন মেক ইনরোগী রেষ্ট ওফ ৱর্ল্ডগী মায়োক্তা শান্নগনি।

মমাঙদা থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা নদালবু সেট মঙাদা মায়থীবা পীখিবা ফেদররনা হায়খি, ঐনা মতম পুম্নমক্তা রাফেলগা শান্নবা পামদুনা লাকখি-মরমদি ঐখোয় অনীগী য়েক্লবা অসি অখন্নবা ওইবননি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

টেনিসকী কোলেন্দরদা নৌনা হাপচিল্লকখিবা ইভেন্ট অসি কুমজা ১৯৬৯ দা কেলেন্দর গ্রান্দ স্লামগী অরোইবা টাইটল লৌখিবা রোদ লেভরগী মমিং লৌরগা থোনখিবনি। প্রেগতা পাঙথোকপা পাউগী





মীফমদা মশাগী চহী ৩৫শুরবা ফেদররনা হায়, রোদ লেভরনা ঐখোয়বু মালেমগী মহুৎ শিনবা টিমদা য়াওদুনা অমদি চিং লেম্না শান্নদুনা টিমমেটশিংগীদমক মায় পাকপদু পামই। ঐখোয় ঐখোয়গী লৈজবশিং পুথোক্তুনা শান্নগনি হায়খি।

মালেমগী নম্বর ৯ দা লৈরিবা নদালনা সেপ্টেম্বর ২২ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্ট অসিদা তরুকশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ফেদররগা জুরা শেম্লবা য়ানা লৈরি। লেভর কপ অসি ওলেম্পিক্কী সিজনখক নক্তনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্কনি। নুমিৎ খরনিগী সিঙ্গলস মেচ অহুম অমদি দবলস অমা য়াওনা মেচ মরি শান্নগনি। টিম অনীমক্তা প্লেয়র তরুক তরুক লৈগনি অমদি শান্নরোয় মরিনা ৱিমব্লেদনগী মতুংদা থোক্লক্কদবা এ টি পি সিঙ্গলস রেঙ্কিংদা বেজ তৌগনি অদুগা লেমহৌরিবা অনীনা কেপ্টেন বোর্গ অমদি মেক ইনরোনা খনগনি।

ফেদররগী মতুং ইন্না টিম য়ুরোপনা ইভেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইগনি হায়বগী য়ানিংবা লৈত্রি। অদুম ওইনমক হৌজিক লৈরিবা এ টি পি রেঙ্কিংগী টোপ ২০ গী মনুংদা ১৭ তি য়ুরোপিয়ন প্লেয়র ওইরি।

ফেদররনা হায়, টিম য়ুরোপনা খ্বাইদগী চাউনা ফেভোরাইট ওইরি হায়না ঐনা খল্লি অদুবু লেভর কপকীদমক টিম শেম্বদা মতীং থোকপা ওইরোইদবনা মায় পাক্কনি হায়বদা থাজবা ৱাৎপনি হায়না ফোঙদোকখি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No.-729
Only25 Seats per class(each section)
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE 2017
The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts
COHSEM
Sc. & ARTS
Foundation Course for x and xii
ARTS & Sc.
CBSE
Class XII SC. 23rd Feb. 2017
Class XII Arts 23rd Feb. 2017
Foundation Course for X: 20th Feb
Time: 5-7.30am
Time: 4.30-7.30pm
Time: 6.30-10.30pm
Wanted one male and female warden and one cook
Separated Boys, Girls Hostel, Van Service, Library facility #7308911167/9862992105
HL-B/3619/17-17 Mar.(Alt.)